ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯶, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, জুলাই ২৬, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১২২ শুবা মশীং

সূগী কাদরনা মী হাৎপা

থবক্না খরসু উত্তুনা য়াদে হায়বা খঙহনবা চুম্লবনি

সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) নৎত্রগা সিজফায়র তৌনরিবা লালহৌবশিংনা চথুরিবা মীওৎ-মীনৈশিংগী মতাংদা মতম-মতমগী লৈঙাক্লা মীয়ামদা নৎত্রগা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী ফ্লোরদা পীবা ৱারোলশিং অসি ইমান্দা মান্নবদৌনা তৌই। সূগী কাদরশিংনা চথুরকপা কা হেনবা থবক থৌরমশিং অসি মমাঙগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মতমদসু অদুম্মক থোকখি। মতমদুদা লেম্না থারোই, কুশি-রাশিদা থবক পংতৌদা তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসি মতমদুগী লৈঙাক্কী ৱারোলনি। হায়রিবা ৱারোলসিমক অনৌবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতমদসু অহোংবা লৈতনা অদুম্মক হায়রি। তৌবতদি মীয়াম্না পাম্বা হায়বদুনা অমনি। মীয়াম্না পাম্বা খূদিংমক লৈঙাক পায়রিবশিংনা অফবনি নৎত্রগা ফত্তবনি খঙদনা পাক হেক তৌবা য়াদবা থবকসু লৈগনি। তুংদা করি থোক্লগদবা অমসুং করম তৌরগা সূদা লৈরিবা লালহৌবশিংগী প্রোব্লেম অসি লোইশিনগদগে হায়বসি কূপ্না খন্থরগা তৌগদবা থবক অমনি। সূদা লৈরিবা কাদরশিংনা গ্রাউন্দ রুল থুগায়বা হায়বসি কাদরশিং অদুগী মকোক থোংবা থাক্তা লৈরিবশিংনা য়েংশিনগদবনি। মসি য়েংশিন্দে হায়বা তারগদি মখোয়না অরানবা তৌরকপদা পূক্লিং থৌগৎলি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মমিংখক্তগী ওইনা লৈরম্বা লালহৌবা খরসু সূদা লৈখ্রবা মতুংদগীদি মপাঙ্গল কনবা লালহৌবা ওইরকই হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবনি। মখোয়দা ফাবি-পুনবিনবা নৎত্রগা য়ৈখায়-থিনগায়বা পীবিনবা কনামত্তা লৈত্রবনিনা চৎনিংবা মফমদা চৎলি, য়ৌনিংবা মফমদা য়ৌই। মতম অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মখোয়বু ফাননবা তান্নবনা মরম ওইরদুনা খুল অমদগী খুল অমদা চৎপদা লৈরম্বা খুদোংথীবশিং অদু হৌজিক্তি লৈত্রবনিনা মখোয়গী মী খোম্বা নৎত্রগা মপাঙ্গল শাগৎপদা লায়না থোক্লে। অসুম্না কাদর ৩০ লৈরম্বদগী তেল্লবা মতম খরসিদা মখোয়বু শৌগৎপা কাদরগুম্না থবক তৌবা মীওই ১০০ শুরকপদা অরুবা ওইরক্ত্রে। মরম অদুনা লালহৌবগী ৱাথোক অসি ৱারী শাননবগীদমক্তা সূ তৌনবা ওইরগদি মতম থিন্থবা তৌদনা মখোয়গা ৱাখৈননবা পোলিটিকেল দাইলোগ নৎত্রগা ইচম চম্না ৱারী শানরবসু থোইনা কায়দ্রবরা হায়না খল্লি। মদু নৎত্রগদি খুৎলায় পায়বা লূপশিং অসিগী মপাঙ্গল য়োকপা ওইনা তারক্তুনা কায়নথংদা লো এন্দ ওর্দরদা প্রোব্লেম ওইরক্কনি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মোরে সব-দিভিজনদা থা অসিগী ২৩ গী অয়ুক্তা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসনদা লৈবা কুকি নেসনল আর্মিগী কাদর সসাট হাওকিপ (২১) কৌবা মীওই অমনা ক্লাস নাইন তম্লিবী নেংনৈঙা খোংশাই (১৮) কৌবী অমবু ফমুংদা কৌশিনবদা চঙলক্তে হায়দুনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক অদু মালেমগী মীপূম খূদিংমক্না অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌফম থোকই। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীশক অসি মতম চানা পুলিসনা ফাদুনা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপা ঙমখিবা অদুমক্লুসু মায়কৈ অদোমদা থোক্লমগদবা অচৌবা ঈরাং অমা লাকশিনবা ঙম্লবনি। মসিগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী এস পি অমসুং অতৈ পুলিস পার্সনেলশিং অদু থাগৎতবা ঙমদে। মীহাৎ অদুগী মতাংদা মণিপুর লেসিজলেটিব এসেমব্লিদা হাউসকী মেম্বর কে রঞ্জিৎনা জিরো আৱরগী খুদোংচাবা লৌরগা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা পীখিবা পাউখুম অদুসু ইচং থৌবা অমসুং হায়ফম থোকপা ৱাফমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনরিবা লালহৌলুপশিংনা সূগী গ্রাউন্দ রুল ঙাক্তে হায়বসি মীয়াম্না খঙই, লৈঙাক্লসু খঙই। তোঙান-তোঙানবা মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক ৱাথোকশিং অমসুং মী ফারগা শেল তানবা অমদি নমদুনা শেল খোমগৎনবা হোৎনবগী তোঙান-তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিংদসু সূগী কাদর খরা চেন্নে হায়বা মীয়াম্না ফোঙদোক্লে। মায়কৈ অহুমগী ছো পায়নরগা মখোয়গী খুৎশু-খুৎলায়শিং থমজিনগদবদুসু মমিংখক্তগী খুৎলায় খরা থমজিল্লগা লোন্না খুৎলায় পায়রগা অরোনবা থবক কয়ামরুম তৌরি হায়বসিসু হন্দক্তা কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংদগী খঙবা ঙম্মী। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি সূগী কাদরশিংনা কা হেনবা থবক তৌরকপা লাকশিন্নবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা হোৎনরিবা অসিগী মথক্তা খরগা হেন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মমাঙদা সূগী দিজিগনেটেদ কেম্পতা ওপরেসন চথুহন্দুনা গ্রাউন্দ রুলগী ৱাংমদা লৈরম্বা কাদর কয়ামরুম ফাগৎখিবা লৈখ্রে। কেম্প অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা লৈরম্বা খুৎশু-খুৎলায়শিং ফাগৎখিবা অদুম্মক্লা লৈঙাক অসিনা মখোয়না তৌবা থবক খূদিংমক য়েংদুনা লৈরোই হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমা পীখ্রবনি। অদুবু কাদর খরদি হৌজিকসু মখোয়গী কা হেনবা লীচৎ হন্দোকপা লৈতবনা লৈঙাক্লা সূ তৌবদা য়াওরিবসি কান্নরিব্রা হায়বা অমুক্তংগা খন্থবা মতম য়ৌরে হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

হন্দক্কী ঈচাওসিদি বি জে পিগী থম্বাল শাৎপননি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌখিবা মণিপুরগী ১১ শুবা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোকত্রিঙৈ মমাঙদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা মরু ওইনা তম্পাক্কী লমদমদা স্পিসিয়েল গাড়ীদা থম্বালগী ফিরাল থেৎতুনা ঈশৈ ওইা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরিবা শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী মমিং পন্দুনা শকখি মদুদি ‘মোদিজিগী থম্বাল, বি জে পিগী থম্বাল, থম্বাল, থম্বাল, মোদিজিগী থম্বাল, বি জে পিগী থম্বাল, শাৎলনি থম্বাল, শাৎলনি থম্বাল’ মতমদুদা নোং তাদনা লৈকংদা শাৎখিবা থম্বাল ওইখিবনি। অদুবু লাইবক ফবদগী ভোট লোইরবা মতুংদা গেম নম্বরদি য়ৌবা ঙমখিদ্রে। ২১ দা লেপখি। অদুবু বাই হুক এন দ বাই কুক লৈঙাক শেমদবা য়াদে হায়বগী মওংদা কন্না কুরুখেত্রগী লানগুম শোক্লখিবনি বি জে পি অমদি কোংগ্রেস নম্বর গেম য়ৌবা ঙম্লবা। কোংগ্রেসসু ঙমখিদবনি ২৮ দা লৈখিবনি চাম্মা মঙাদা। ২১/২৮ দা। ১০০/৫ লাল শোক্লবদা মঙানা ঙমখিবগুম বি জে পিগী ২১ না ঙমদুনা এন বিরেন্না সী এম ওইদুনা কোলিসন লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমখি। লাইবক ফবনি খঞ্জে। ভোট মমাঙদা লোইবা ঙমদনা লৈরম্বা প্রোব্লেম কয়া মথং মথং লোইশিনবা য়াওখ্রে। লোইশিন্দবসু লৈরি। লোইশিনবা ঙম্বা ওইবিয়ু। ইং তপ্না লৈবা ঙম্লবা।

অরোইবদা থমজনীংলিবদি ভোট মমাঙদা লৈকংদা শাৎখিবা থম্বালদো ঙসিদি ঈশিং য়াওদ্রবদি কুইনা শাৎপা ঙম্লরোই খনবদগী নোং কৌবী লাইরেম্বীনা লাইজা ঈশিং খিকপীরক্তুনা তম্পাক্কী মফম খুদিংমক্তা ঈশিং ঈচাও থোক্তুনা ইয়াইদা শাৎপা থম্বাল ওইররে। মোদিজিগী মহুৎতা বিরেনজিগী থম্বাল ওইখ্রে। থম্বাল, থম্বাল, বি জে পিগী থম্বাল, বি জে পিগী থম্বাল, লৈকং থম্বাল ওইরম্বদগী ঈশিং থম্বাল ওইররে। ঈশিং থমবাল ওইরবনিনা তম্পাক্কী লৌফম কয়া ঈশিংনা থুমদুনা লোইনা মাঙখ্রে। ঈশিং য়াওদ্রবদি থম্বাল শাৎপা ঙমদে। ঈশিং-ঈশিং বি জে পিগী ঈশিং, তম্পাক্কী লমদমদা বি জে পিগী ঈশিংনা ৱাই চাইবগুম চাইরে। লৌমী কয়া কপ্পরে। তোর্ব্বান কায়রে, য়ূম থুল্লে, ঙা চৎখ্রে, লৌ মাঙখ্রে, কমদৌনি। ষ্টেট কেলামিটি হায়রে। বি জে পিগী ঈচাও, বি জে পিগী থম্বাল।

অদোমগী - থোকচোম থম্বালঅঙৌ সিংহ
খাঙবোক ময়ায় লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) তুবী (খ) তেকপী
২। “কদাইদনো মরাইবক থীরবী মণিপুর/মেলৈ লৈম্না নুংজুমপান কদাম্বদি লৈনুংশি/কদায়দনো নহাক্কী ঈশৈগী মন্দির।” পরেংশিং অসি কবি কনানা হায়রম্বনো?
৩। “ঈজৎ মাঙলবনি ফুলন দেবী/ঈজৎ মাঙলবনি বিস্বাস/ঈজৎ মাঙলবনি ভারতকী নুপী/ঈজৎ মাঙখ্রবনি নুপী পূম্নমক।” পরেংশিং অসিনা অইবী কনানা হায়বনো?
৪। কর্টার সিং দুগ্গলগী ৱারীমচাশিংবু ‘থাবলগী চৈনা’ হায়না মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৫। ‘শক্লোনশিংগী শক্তম’ কৌবা নৈন-ৱারেংগী লাইরিক অদুগী অইবা/অইবী অদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

থাজবনা লাল্লি

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মীওইবা হায়বা অসি য়াম্না নোক্লিংবা অমনি। ওইরোইদবা কান্নদবদসু য়াম্না থাজগল্লি। থাজবদগী থোকখিবা মালেমগী লাঞ্জাওদগী চিংলগা লান মচা মচা কয়া অমা থোকখ্রে। মমাঙগৈ নিংথৌ পাল্লিগৈ, ইন্দিয়া অসি অপীকপা লৈবাক কাঙলুপ কয়া খায়দোক্তুনা নিংথৌনা লৈঙাক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা থাজনবসি য়াম্না চৎনরকই। নিংথৌদা কনাগুম্বা অমনা চিরোল খারোল তৌদুনা ইনশিনবদগী থংনবা লৈবাক কয়াদা লান তৌদুনা মীশি মীনা কয়া অমা থোকই। মতমদুদা শিখিবা মীগী মশীংদি অসুক্কী মতিক য়াম্মী। অদুবু মদু কনানসু শিংথারুদে। মাগী মাগী মথৌ তৌবদা শিবনি হায়না অদুম লৌনৈ। হৌজিক কান্দবুদি বির চক্র হায়বা মনা মথুম ময়াম অমা পীদুনা সহিদ লোইনা ওইনরে। থাজনবসি লৈবসু ফৈ, লৈতবসু ফৈ। থাজবদা থৱায় মাঙবসু লৈ, থাজবদা কান্নখিবা মীসু লৈ। মসিদি মদাও মদাওগী ৱানি। অদুবু মপূম ওইনা য়েংবদদি থাজনবী হায়বসি কান্নদবা অমনি হায়না লৌবসু অদুম য়াই।

অতৈগীসু লৈরমগনি অদুবু, মীতৈনা খরা হেন্না থাজনবীগী চাংসি ৱাংব্রা হায়না খল্লি। অৱাথবী চারা ময়াম অমা থাবদা নৎত্রগা পাম্বী মচা লিংথোক্তুনা থাবদা মখোঙদা নুপীগী ফনেক শেৎচিনবীরবদি অৱাথবী লাবা ওইদে, অমোম ওই হায়না অৱাথবী খুদিংদা ফনেক মচেৎ অমমম শেৎপীবগী চৎনবী ঐখোয়না হৌজিক উরিবসিনি। অৱাথবীদুদা ফনেক শেৎপীরগা অমোম হেক্তা ওইগদবা নত্তে হায়বসি ঐখোয়না খঙলবসু খঙদ্রবসু থাজনবীদুনা মাঙ থারগা ফনা য়াম্না লাইরিক হৈবা মী লৈবা ইমুংগী ইঙ্খোলদসু অৱাথবী ফনেক শেৎপগী থবকসি ঐখোয় উরি। অদুবু মচানুপী পোকচদবা ইমুং অমদা নুপা ঙাক্তা অহুম মরি পোকপদুদা অপীকপা অঙাং নুপামচাদুদা ফনেক শেৎপীরদি চাওরগা নুপী ওল্লক্কদ্রা? মচা নুপী অতোনবীগী মমিংদু তোম্বা হায়না কৌশিল্লগা মখা তারকপদা মচা নুপা পোক্কনি হায়না খনবা য়াম্না লৈরি। অমরোমদা নহান নুপামচা অমা থেংনৈ। মমিং করি কৌই হংলুবদা জামিনি কৌ লৈরম্মী। করিগীনো নঙগী নমিং জামিনি কৌরিসি হায়না ঐনা হংলুবদা অঙাং নুপামচাদুনা মমা-মপানা থোনবীবনি, মাদি খঙদে, জামিনি হায়না অদুম কৌ লৈরম্মী, স্কুলদসু জামিনি কৌই, মমান্নবশিংনা নুপী মমিংনি হায়না নোকনৈ, অদুগা জামিনি জামিনি হায়না লক্লে হায়না হায়রকই। মদুগী মরমদি অতৈগী ওইরমদ্রে, মমা মপানা নুপী পোক্লবা মচানুপাদুগী মমিং জামিনি থোনজিনবা ওইরম্মী। কয়াদা লান্না থাজনরিবনো? সিমসু থল্লসি। নুমিৎ ফত্তবদা পোৎ চৈ লৈবা ফত্তে হায়দনা খুদোং চাবা ফংলবা অফবা, ফজবা, অতাঙবা পোত্তু হোংনা লৈবগী খুদোংচাবা ফংলবা ফাওবা নুমিৎ ফত্তে হায়না লৈনদ্রিবনি। করিগুম্বা লৈরুরবসু নুমিৎ ফত্তে, য়ূমদা পুশিনবা ফত্তে হায়না মীগী ময়ূমদা নৎত্রগা শঙ্গোয়দা মাঙ্গোলদা পোৎতু থম্নরি, মসিদি হৌজিকসু অদুম কন্না চথুরি। থবক ইনখাং তৌবগী ইন্টরভিয়ু নুমিৎ তৎনবা নুমিত্তা তাশিল্লকপদগী নুমিৎ ফত্তে হায়না ইন্টরভিয়ু য়াওদবসু অদুম লৈ। মা য়াওরবদি ক্কালিফাইদসু ওইবা অদুম খঙজদৌ লৈরবদু নুমিৎ ফত্তে হায়না য়াওদ্রিবনি। পরিক্ষা নুমিৎ ফাওবা নুমিৎ ফত্তবদা তাবদা মানা ফাবা পাড়া য়াওরক্তবদু নুমিৎ ফত্তবদগীনি হায়না খনবা মীসু লৈ, মানা লাইরিক্তী পাজদ্রগা নুমিৎ ফত্তবদা তাইশিনবা য়াম্না লৈ। মমাঙগৈ পাখঙ লৈশাবী চিঠি পীদুনা কোয়নরিঙৈ মতমদসু, য়াম্না নোকনীংবজাৎনি। ইহান হান্না পাখঙনা লৈশাবীদা চিঠি পীবসি, তৎনদবা, নুমিৎ থবান ফবা য়েংলগা চিঠি পীনৈ। নুপিদুনা চিঠি লৌ হায়বা শুংয়া য়ারমদবদগী মমৈদা য়ানীংগুম তৌরকপা নুমিৎ তাঞ্জা য়াম্না চাবা অমদা ফুরিৎখাওদা চিঠিসু য়াওরিবা, নুপীদুগী মমান্নবীনা চিঠি পীরো হায়বগী ইঙ্গিৎসু তৌরক্লবা অদু ফাওবদা নুপাদুনা নুমিৎ থবান ফত্তে হায়না য়াওনা য়াওনা চিঠি পীহৌদবদগী নুপীদু নোংঙাল্লগা অতোপ্পা নুপা অমগা কোয়নখিদুনা চেনখিবদগী নুপাদু চাক্তুনা লৈহৌরগা দেবদাস শাদুনা য়ুনা মপুন্সি লোমখিবা য়াওদবা নত্তে। থাজনবীসিনা মাঙহল্লিবসি কয়া য়াম্ননো?

মসিদি খিত্তনি, হৌজিক্কান্দনা কমদৌরি, মসিসু শাথিনা নুংঙাইবা অমনি। নুংশি মরী লৈনরিবা অনীসি অমনা অমবু য়ৌনা থাজনবদগী পুন্সি মাঙনবা কয়া অমা য়াওবা থেংনৈ। নুপাদুনা পংহায়দা হায়জিনবদা নুপীদুনা থাজমনবদগী নুপাদুনা হায়রিমখৈ য়ারুবা, মদুনা মাগী পুন্সিগী মোঙফম শেমজবা হৌরবনি হায়বসি খঙজদবা কয়া অমসু লৈরি। চেল্লসি হায়না নুমিদাংদা কৌথোক্লগা মপুন্সি মাঙহনবীরম্বা কয়া অমগী ৱারী তাখ্রে। লৌবিনি হায়না থাজহল্লগা অরেম্বদা পুন্সি কেমখিবা কয়া অমগী ৱারীসু লৈখ্রে। পূম্নমকশিং অসি থাজনবী হায়দুনা থোক্লিবনি। থাজনবী হায়সি করম্না থম্মোয়দা পোক্লক্লিবনো? য়াফম থোক্তবা তৌফম থোক্তবা কয়া তৌরিবনো হায়বা ৱাহং অসি লাকপদদি হৌজিক্কানদদি মোবাইল ফোনসিনা য়াম্না মতেং পাঙই হায়বা তাই। মোবাইল ফোনসিদা ইশা ইশা উনরগা হায়বা ঙমদবা ৱাহৈ কয়া পংহায়দা হায়জিন্নে। শেংনা হায়রদি ওইদবা ঙাঙবসি ফোন্না তম্বীবনি। নুপাদুনা নৎত্রগা নুপীদুনা ফোনসিদা শক উনদ্রবনি হায়দুনা মখল মখা কয়াগী ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাইহাক লৈতনা শুম হায়নরকপদা থাজনরমদবসু থাজনবা পোক্লকইবনি। অদুদদি থাজনরবনি হায়দুনা মশাদা য়াওবা পূম্নমক তেং তেংখৈ পীথোক্লদুনা মমৈথংদা ফরক তানবা য়াম্না য়াওনরে। মৌ নহা অমা মাঙখ্রে হায়বা পাউ য়াম্না তোয়না তাবা ফংই। হন্দক মরক্তি পাউচেদা হাপ্পা তল্লব্রা কৈনো খরদি ফখ্রে। অদুবু মাঙই হায়বগী পাউদি অদুম লেপ্তুনা লৈরি হৌজিকসু। মসি পূম্নমকশিং অসি ফোননি। মোবাইল ফোন করম্না শীজিন্নগদগে হায়বা অসি মতাংসিদা খলহন্নীংই। ফোন হায়বসি শাথিনা কান্নবা অমনি, অদুগা অমরোমদা শাথিনা মাঙজবা পোৎশক অমনি। মোবাইল ফোন মরম চানা শীজিন্নদ্রবদি মদু খুন্নাই অসিগী মশক মাঙনবা ওইরকই। হৌরক্লিবা নহাশিংনা মোবাইল ফোন করম্না শীজিন্নগদগে হায়বসি নিংথিনা তাকপী তম্বীবা অমা চঙই। হৌজিক্কানদি মরোল ফাওবা শেংনা থোক্ত্রিবা অঙাং ফাওবা মোবাইল ফোন পায়বা হৈরে। অতৈ ইরায় লায়রি, মখুৎনা চাক চাবা হৈত্রিবা অপীকপা অঙাংশিংসু মমানা চাক ইনবদা মোবাইল ফোনদা করিগুম্বা পিকচর অমা নৎত্রগা ঈশৈ অমা থারগা য়েংহনদ্রদি চাক ইনগে হায়বা য়াদবা য়াওনরে। অদুনা মমানা নৎত্রগা মপানা নৎত্রবসু মনে মন্দোলশিংনা মোবাইল ফোন অমা অঙাংদুগী মমাঙদা থারগা নৎত্রগা অঙাংদুদা পায়হল্লগা য়েংহল্লি অদুগা চাক ইনবি। মসিদগী হৌরে। অঙাংদা ফোন পায়বা তম্বীবা। অপীক অপীকপা অঙাংশিংনা মোবাইল ফোন্দা গেম শান্নবা, ঈশৈ তাহনবা, জগোয় য়েংহনবদগী হৌরগা অঙাংশিং অদুগী হৈনবী অমা তপ্না তপ্না শেমগৎলকই। অদুনা সুম য়েংবদা অঙাং খুদিংমক ফোনসি য়াম্না হৈশিংনা পায়। কদাইদা পিকচর য়াওরি, কদাইদা ঈশৈ য়াওরি লোয়না খঙই। মখোয়না পেৎ পেৎ মেৎলগা অপাম্বা য়েংবগী হৈনবীসি পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা মমা মপানা তম্বীখ্রবনি।

অসিগুম্বা কয়া অসিনা থাজনবীগী চাং অসি হেনগৎলক্লিবনি। কান্নদবদা কা হেন্না থাজনবীসি তোকসি। ওইথোকপা য়াবনা করিনো, য়াদবনা করিনো হায়বদু ঐখোয় মুন্না খন্নবা ফরে। কৈসু নত্তবদা লাইদবু ওইরো, মীদবু ওইরো পংথাদা থাজনবসিনা মীগা মীগগী মরক্তা খেন্নবসু লৈহল্লক্লিবনি। নাৎকীবু ওইরো, ত্রেদিসনগীবু ওইরো, কাঙলুপ ফুরুপকীবু হায়রো, কা হেন্না থাজনবীসে তোক্লসি। মী অমনা ৱা অমা হায়বদা কয়ামুক থাজবা য়াবগে হায়বসিসু খন্থবা হৌরসি। করপসন করপসন হায়রিসি মসিসু থাজনবী হায়দুনা মখোং শোল্লিবনি। লৈবাক মচাসা মরম চাদনা থাজনবীগী থবকসি ঐখোয় থাদোক্লসি।

অৱাংবা দলানশিং উনা শানবগী থৌরাং পায়খৎনরকপা-১

(য়ুহা হাবদা তেক্লরোইদবা মথোল ২০ ৱাংবা উনা শাবা দলান)

ক্রোস-লামিনেতেদ তিম্বরশিং



য়ুহা হারবসু তেক্লরোইদবা উগী মথোল ২০ ৱাংবা দলান শানবগী চাংয়েং পাংথোকনবগীদমক শাগৎলিবা মথোল অনি ৱাংবা উগী য়ুম

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম



উনা শাবা য়ূম পাম্নদ্রে হায়বা য়াই ঐখোয় শ্বাইদদি। অদুবু উনা শাবা য়ূমদা ঙাওখৎলক্লি সাইন্টিষ্টশিং, থিজিল্লোয়শিং, এঞ্জিনিয়রশিং...। চেকনা শাবা য়ূম হায়দনা শ্বাইদা কোয়তান তান্নরিবসি অমেরিকা, জপান, চিনা অমদি য়ুরোপকী চাওখৎলবা লমদদি ইরৈ লৈরক্লরোইদ্রা খল্লি। মরমদি মখোয়দি অনৌবা অহেনবা টেক্নোলোজি পুথোকপদা ঙাওজবনি, থিজিনবনা হেন্না মরুওইনা খনবনি। অদুনা টেক্নোলোজিসি হোংদবা য়ারক্তে, হোংলকই। অসিগুম্বা অহোংবা মরকসিদা চঙলক্লি উনা শাবা মথোল কয়াগী বিল্ডিংশিং।

উনা শাবা মথোল কয়াগী বিল্ডিংশিংসি কয়ামুক য়াম্না ফীভম চেৎলবগে হায়বদি য়ুহা হাবা, নোংলৈ-নুংশিৎনচিংবা মহৌশাগী খুদোংথিবশিংসিগা মায়োক্লদুনা হিংবা ঙম্লবগে? মসিগী চাংয়েং অমা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। চাংয়েংসি য়ু এস এগী নেসনল সাইন্স ফাউন্দেসন (এন এস এফ), কটেরা, তোলৰুদ দিজাইন ইনষ্টিট্যুট, দ ফোরেষ্ট প্রদক্টস লেবোরেটরি য়াওনা অতৈ কম্পেনি কয়ানা শেন্থং পীদুনা, নেচরেল হজার্দ এঞ্জিনিয়রিং রিছার্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি। কোলোরাদো স্কুল ওফ মাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর শিলিং পৈনা লুচিংদুনা, জুলাই ১৪ দা পাঙথোকখিবা চাংয়েংসি মথোল অনী ৱাংবা উনা শাবা য়ূম অমদনি। য়ূমসি অকনবা য়ুহা হাবদা নিকপা য়াবা তোঙান তোঙানবা মওংশিংদু থোকহনবা ঙম্বা খূৎশেমগী য়ূম্ফম অমদা শাবনি। অসিগুম্বা য়ূম্ফম অসিবু ‘শেক টেবল’ হায়না খঙনৈ। শেক টেবল মথক্তা শারবা মথোল অনীগী য়ূমদু খূৎশেমগী পাম্বৈনা নিকহল্লগা য়েংবদা করিগুম্বা অকায়-অতোয় অমত্তা থোকখিদবনি হায়রি।

চাংয়েংসিগী মরুওইবা পান্দম্না মথোল অনী ৱাংবা য়ূমসিবু অতম্নগা নিকহনবদা ফংবা দেতাশিংদু খোমজিল্লগা এনালাইসিস তৌরবা তুংদা মথোল ২০ ৱাংবা অকনবা য়ুহা হাবশিংদা তেক্লোইদবা অমদি য়ূমদুগী মপাঙ্গলদা থোইনা অকায়বা পীদবা উগী য়ূম অমা দিজাইন তৌরগা শাবনি হায়রি। চেক, নূং অমসুং সিমেন্ট হায়বসি য়াম্না লুম্বা পোৎশিংনি। অদুনা মথোল ৱাংনা শারকপদা খুদোংচাদবা কয়ামুক লৈ। শাবা অমসুং রিপ্যারিং তৌবদা শেলসু য়াম্না চঙই। অদুগা অকনবা য়ুহা অমা হাখ্রবা মতুংদা য়ূমশিংদুগী মপাঙ্গল হন্থরক্তুনা য়ূমদুগী মপুন্সিসু য়াম্না তেনশিল্লকই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসিদগী ঙাকথোক্লনবগীদমক উগী য়ূমশিং শানবা থৌরাং পায়খৎলকপনি হায়না শিলিং পৈনা ফোঙদোক্লি।

সান দিয়াগোদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদা শীজিন্নখিবা মথোল অনীগী য়ূমসি ফুট ২২ ৱাংই। মসিবু শাবদা মরুওইনা ক্রোস-লামিনেটেদ টিম্বর (সী এল টি) হায়রিবা শেমদোক-শাদোক্লবা উবাকশিংগী মরোলশিংনা শেম্বা পেনেলশিং শীজিন্নে। উবাকশিংবু ময়ূং অমসুং মফেলদা পরপেন্দিকুলর ওইনা থল্লগা গম অমদি য়োৎপীগুম্বনা ফাজিন্নহল্লবা মতুংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা নপশিন্নহল্লগা সী এল টিশিংসি শাবনি। মসি য়োৎ অমসুং সিমেন্টনা শেম্বা কনক্রিটকুম্না মপাঙ্গল কনবদা নত্তনা শেল চংবগী চাং য়াম্না হন্থে। মসিনা য়ূম শাবদা চেকনা শাবদগী মতম য়াম্না হন্থনা চংবগা লোয়ননা অরেম-অখাক লেমহৌবগী চাংসু হন্থে। হৌখিবা চহী ২০ লোমসিদা মসি য়ুরোপ্তা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরক্লি। হৌজিক্তি অমেরিকাদসু পাম্না শীজিন্নবা হৌরক্লে।

কুমজা ১৯৭৯ দা য়ু এস - মেক্সিকোগী তাইনফম, ইম্প্রিএল ভেলিদা রিক্টর স্কেল ৬.৪ গী চাংদা নিক্তুনা য়ুহা হাখি। মদুদা নিকখিবগী মওং-মতৌ অমদি নিকপগী চাংগা মান্নবা খূৎশেমগী পাম্বৈনা মথোল অনী ৱাংবা উগী য়ূমদু নিকহনখি। অহানবা নিকহনবসিগী মতুং মিনিট খরগী তুংদা অমুকসু হন্না নিকহনখি। হন্দক নিকহনবসিনা কুমজা ১৯৯৪ দা নোর্থরিজ কালিফোর্নিয়াদা থোকখিবা ৬.৮ কী চাংদা নিকখিবা অদুগী মওংদনি। অসুম্না অনীরক নিকহনবসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অশোয়বা লৈতবদগী অনীরক হন্না অমুক্কা নিকহনখি। অহানবদা কুমজা ১৯৮৯ গী ওক্টোবর ১৭ তা অৱাং থংবা কালিফোর্নিয়াগী লোমা প্রিটাদা মেগ্নিচুদ ৬.৯ দা হাখিবা য়ুহা অদুগী মওংনি, মথংদুনা ৬.৬ কী চাংদা সুপরষ্টিসন হিলস্তা কুমজা ১৯৮৭ তা হাখিবা অদুগী মওংনা নিকহনখিবনি। অসুম্না তাঙ্কক অনীরক নিকহনখ্রবা তুং, অহুমশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা চয়োল খরা লৈরগা তোঙান তোঙানবা মওং কয়াদা নিকহন্দুনা চাং য়েংখি।

য়ুহা হাবদগী য়ূম-কৈ, থোঙ অমদি বিল্ডিংশিং তেক্লি-কায়রিবসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা য়ূম অমদি বিল্ডিংশিং শাননবগী পাম্বৈ কয়া এঞ্জিনিয়রশিংনা পুথোকখ্রে। মখোয়বু আর্থক্কেক রেসিষ্টেন্ট হাওস নৎত্রগা বিল্ডিং হায়না খঙনৈ। পাম্বৈশিংদুগী মনুংদা ‘রিজিলিয়েন্সি’ ওইবা পোৎশিংনা য়ূম-কৈ শাবসিসু অমনি। রিজিলিয়েন্সি ওইবা পোৎ হায়বসি অতোপ্পা লোন্দা ইলাষ্টিক ওইবা রব্বরগুম্বা পোৎনি হায়বা য়াই। অঙাংশিংনা উ কাবদা ঐখোয়গী অহলশিংনা ‘উদু অখাকপা উনি’ হায়না চেকশিন ৱা হেক হেক হায়রম্মী। অখাকপা হায়রিবসি তেক্কনববুনি, তেক্কনবা হায়বদি রিজিলিয়েন্সি হন্থবা হায়বনি। অতোপ্পা অমরোমদনা পোৎ অমদা শাফু পীশিল্লুরগা থাদোরকপা মতমদা কোন্দুনা অদুম লৈখিবদুসু রিজিলিয়েন্সি ৱাৎপগী খুদমনি। রিজিলিয়েন্সি ৱাংবা পোৎশিংদি ঐখোয়না অকনবা শাফু অমা পীরুরগা থাদোরকপদা হান্নগী ফীভমদা লায়না হঞ্জিল্লকপা ঙম্মী। অদুনা রিজিলিয়েন্সি লৈতবা পোৎনা শাবা য়ূমদি য়ুহা হাবদগী নিকপা মতমদা, য়ূমদুগী শরুক খরা পৈথরুরগা অদুম পৈথরগা লৈখিবা নৎত্রগা তেক্লকপদগী অমাং অতা কয়া থোকহন্নবগী মচাক ওই।

পৈনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না য়ুহা কন্না হারকপদা, য়ূম নৎত্রগা বিল্ডিং অমদা লৈরিবা মীশিংদুদা অশোক অপন থোক্তবা য়াই, অদুবু করিগুম্বা য়ূমদুগী ফ্রেম অমদি য়ূম্বীশিংদা অকায়-অতোয়, কোম্থোক-কোনশিন থোকখ্রবদি য়ূমদুদা কনাসু লৈনীংলরোই। অদুনা য়ূমদু শেমজিনবদা মতম য়াম্না চঙলকপা য়াই। মসিগা মান্নবা ফীভম অমা কুমজা ২০১৪ গী জান্যুৱারীদা হাখিবা য়ুহানা নুপী কৈথেলদা থোকহনখি। অসিগুম্বা ফীভমদা বিল্ডিংদু রিজিলেন্স ওইবা পোৎশিংনা শারম্বা ওইরবদি, হান্নগী ফীভমদা লায়না পৈথোক-পৈশিন লৈহন্দবা য়াগনি। অদুনা মতম অমসুং শেলসু য়াম্না চঙলরোই।

জুলাইগী ১৪ দা পাঙথোকখিবা চাংয়েংদুদা থিজিল্লোয়শিংনা উনা শাবা ফুট ২২ ৱাংবা য়ূমদুদা রিজিলিয়েন্সিগী ৱাফমসিদা হেন্না কুপ্পা মিৎয়েং থমখি। মখোয়না মসিদগী মরুওইবা দেটা কয়ামুক খোমজিনবা ঙমখি। মখোয়দু তাঙ্কক অহুল্লক নিকহনখিবা চাংয়েংশিংদুদা শীজিন্নখিবা সেন্সর চেনেল ৩০০ হেনবদগী থাদোরকখিবা দেটাশিংনি। ক্রোস-লামিনেটেদ তিম্বরগী পেনেলশিংদুনা করম্না কোনশিল্লকপা অমসুং পেনেলশিংদুনা করম-করম্বা মওংদা লেংবা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক দেটাশিংদু হান্না খন্দোক্লবা মফমশিংদগী লৌখিবনি। মখোয়না অসিগুম্বা লৌশিং জ্ঞানশিংসি শীজিন্নদুনা কুমজা ২০২০ দা য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া সান দিয়াগোগী শেক টেবলদুমক্তদা রিজিলিয়েন্সি ওইবা মথোল ১০ ৱাংবা য়ূম অমমুক চাংয়েং তৌগদৌরি। অসুম্না চথুরকপা চাংয়েংশিংদা মায় পাক্লবদি মথোল ২০ ৱাংবা উগী য়ূম শাবা ঙম্লগনি হায়রি।